নহাশিংগী অখন্নবা কাখল : - নহা ফাল

পুন্সিদা মায় পাক্লবগীদমক নাইতোম চৎপা মথৌ তাই, অতোপ্পা মীওইশিংগ নহাক্না মায় পাক্লবা মতমদতা নঙগী নানাক্তা লাক্কনি। - সুভাশচন্দ্র বোস

# লাই-ৱাগী চৈশু : অরোইবা শরুক

চহী হায়সিদি শুপ্নগী পুন্সিগী পাদম ওনবতনি; নুংশিবগা চহীগা মরী লৈনদে। চহী মানা নুংশিবগী ময়াইবু হন্থহনবা মতিক্লা? উনশা খুইর-খুইরগা হেন্না-হেন্না নুংশিবগী মরেক-মহাও হেনগৎলক্লিবনি। রোমাবতিগা মধুসুদনগগী মপুং ফাখিদ্রবা নুংশিবা ঙসিসু লেপ্তুনা পাক চাওরবা নুংশিবগী ঈপাক/সুমদ্র তম্না চেন্থরি। মবানিগী থেক্লা খোইনা চেন্থরকপা নুংশি ঈচেলসে নুংশিবগী সমুদ্রগী ঈরোলনুংদা লুপশিনখিগদ্রা মীপাইজবদু ঙসিদি মবানিগী নুংশিবদুমক নুংশিবগী সমুদ্রদা ওইখ্রে।

লৈ পরেং হুক্লদুনা ফক্লাংদা থেৎলিবা রোমাবতিগী ফোটোদুদা য়েংলগা মধুসুদনগী খুইরবা মখুৎতুনা মপি তৈথোক-তৈথোক্লা শোঞ্জরকই, তারিব্রা রোমা! নঙগী মমোন তৌবা মীনোকসিনা ঙসিসু ঐগী চোকথরবা হকচাং পুম্বা অমুক হন্না তেখৎহল্লি; খাংঙমদ্রবা চৈনা, পুঙমদ্রবা অৱাবা পুম্বা কাওথোকহল্লি। চহীনা নম্বো পোরবসু থা মম্বা অহীংদা লুপা-অহিংবা মচুগী খোঙজোমনুবী তুরেলগী ঈরোলনুংদা ঙসিসু চিঙহী শম্বাল লাংলখিনি হায়না অসুমক ঙাইখিগেকো। নহাক য়াওদ্রবদা ঐগী তাইবঙগী শজিক-থাবা কেনজবা মতৌবু কনানা শৈথাবিগনি। পুন্সিগী ঙাক্লৌ ওইরিবা লাই-ৱাগী চৈশুদু উৎলদুনা, য়েংঙু! নঙনা তাথিবা চৈশুসিনা ঙসিসু নহাক্কী অয়াবা য়াওদনা ইনাক্তা চঙশিনবা ঙমদ্রিসে। নঙনা করি হায়রক্কনি খন নঙবু মুন-মুনা য়েংলিসে। মসিগী লাই-ৱাগী চৈশুসে করম্বা খোয়ুম লাইগী শাইওলনা ওল্লকপনো নৎত্রগা নঙগী থৱায় মীরেলনা য়াইতোংলিবা চৈশুরা? য়েংলরোই চাম্মরক খল্লবসু হেক্তা মীৎয়েং তারুবা, পাইররোই কয়ারক খল্লবসু হেক্তা খুৎসিনা থেংলুবা।

রোমাবতিনা মচিন্দদি তাথিবা, মথম্মোয়দদি ওইনা ৱাহৈনা ওইনজবা নঙগী লাই-ৱাগী চৈশুসিমা; নোংঙাল্লে-নুমীৎ তারে থাদবা, তুম্বা ফাওবা কোন দুনা তুম্মী হায়বদু য়ৌইহে। মসিদা কদাইদনো অমা লংশেকখ্রদি ফদৌনি হায়জরবসু হেক উবদা থৱায় ৱাজনা কদাইদা লৈখ্রবজাৎনো খল কোইথি থিরগা তৈথোক-নান্থোক্তুনা মধুসুদননা নুংতিগী ফম্বা আরাম চৌক্রিদুগী পাম্বোমদুদা হেক্তা কোৎশিন্দুনা থমজৈ। চহী কয়া, থৌদোক কয়া লোইনরক্লবনিনা মরোল থোকচদ্রবসু, থম্মোয় পাঞ্জদ্রবসু খুৎনাং চারবা চৈশুসিনা থৌদোক কয়া অমসু নীংশিংহল্লি, ৱারী কয়া অমসু লেপ্তুনা লিরি; নোংমগী ওন্থোকপা থৌদোক্লি, থৌবালথোঙ চফুবু কায়নবা য়ৈব্রা, ময়েক হাপ্পনি। মধুসুদননা মথন্তা পোকচবা কেথোক নৌজবা মচা তোম্পোকপু লমচৎ কামশোন্নদনবা, ৱাঙাং হে-তোংদনবা, মথৌদা পুক্লিং লুপ্নবা হৈশনু-শিংসনু হায়দুনা ৱারক-ৱাতেম্বদা চৈশু মাগী মতেং লৌরুবদা রোমবতিনা মখুৎতগী মুল্লগা মসিগী চৈশুসিদা লংশেকখ্রগা লোইরে হায়না কোন্থোং ৱাংমা লান্না লাক্তুনা লঙবদা ইলেক্ট্রিক ৱায়রদা পন্দুনা নুমীৎ খরসু লৈরুরবনি। নুঙাইরক্ত্রদুনা রোমাবতিনা মী নেক্তুনা লৌথহল্লগা অমুক পুশিল্লকখিবনি।

ৱাখলদা উংলিঙৈদা মচানুপাগী ফোন কোল লাকই। বাবা! ঐখোয়না লৈরিবা কানাডাগী খা নোংপোক্তা লৈবা ওন্টরিও প্রোভিসনগী কেপিটেল সিটি ওইরিবা তোরণটোসি জন্যুৱারি থাদদি য়াম্না ঈংই, উনসু য়াম্না তাই, মরক-মরক্তা নোংসু অদুম চুবনা চৎথোক-চৎশিন্দা য়াম্না খুদোংচাদে অদুনা ছুটি লৌথোক্লগা থা অসিমদি য়ূমদা থোরক্লবা তৌরগে; ইমাগী চহীগী দিন্দু হন্দক্তি শোয়দনা য়াওরগে খল্লি। নমৌনুপীনা হায়রিবা হন্দক মরকসি বাবাগী হকচাংসু শোকচিন্না উই, ভিদিও কোলিংদা ঙাংলকপা খোঞ্জেনসু ইফাই ফাইবদৌনা তৌই; য়ারদি সেকেন্দ ক্লাস সিটিজেন ওইনা মীরমসিদা শেল তাল্লিবনি হায়দুনা মখোয়গা মানদবা লোগী অকক্লবা কাংলোনদা হিংবা, ইশাগী রাইটসু মপুং ফানা পাঙথোকপসু য়াদবা, মীখা থাবা পুন্সি মরেন্দা মফমসিদা থবক তৌবসি তোকথোক্লগা য়ূমদা অহল সেবা তৌদুনা ইনিং তম্না নুংঙাইনা লৈরুরসি। শেলনা ইনিংতম্বগী মহাও, নুংঙাইবগী অপেনবা লৈবা য়াবা নত্তে হায়রিপোৎনি। বাবা, মানা অদুক হায়জবগী ৱানি, মদুসু হেক্তা য়াববুদি নত্তে, শেল তানগে হায়বা মতমদা হেক্তা তানবা য়াবসু ওইদে। অদুবু পুন্সিসি শেল ঙাক্তুনা চৎনবা য়াদে, মপাল থোঙগী অরং-অরাকশিংদা তুং কোয়না পেন্থোকপা ঙল্লক্তে হায়বসি মীরমসিদা শুম কুইনা লৈরবকানসিনদা ময়েক শেংবা অসুম হেল্লকই। মমৈদদি, ইশাগী ঐগী হায়বসিদগী হেনবা লৈরক্তেদা বাবা। চীং লৈবাক ওইজরবসু, চাওখৎপগী লমদা মঙম শান্দ্রবসু, মহৌশাগী ফজবশিং শাগোন্নবা, মহৌশা লাইরেম্বীনা পীবিবা ঈশিং-নুংশিৎকী নুংঙাইবা, থম্মোয়গী ওইবা অপেনববু মপালথোংগী অরং-অরাক্কা চাংদম্নবা য়ারমদ্রে, শেলনা লৈবসু ফংলমদ্রে, বাবা। থুনা শোয়দনা থোরক্লনি। বাবানা অতেকপা ৱাগী চৈশুদু অদুম পায়বদু য়েংবা নুংঙাইতে, ৱাকিং চৎপদা পাইনবা পেদ্দর জোন্সন কম্পনিগী য়াম্নসু য়াংবা, য়াম্নসু ফজবা চৈশু অমসু লৈরবনি।

মধুসুদননা খঞ্জে; ফোঙদোকপসু য়াদবা, সী ওইরে হায়না উৎপসু ঙমদবা থম্মোয়গী ঈহুল, ৱাখলগী তাইবঙ, নুংশিবগী ঈরৈ ঙসিগী চাওখৎলবা বিজ্ঞানগী থৌওংসিনা মহুৎ শিনবা ঙমখিরোই। খোঞ্জেল থোক্লা হায়রকই, ইপা ইবুংঙো! মালেমগী করম্বা কম্পেনিনা ইপা ইবুংঙো লাইনিংথৌ কৌব্রু, ইমা ইবেম্মা কৌনুগী মশাইকোন, ইরমদসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কৌব্রু চিংদোন দগী লোইনরক্লবা ঐগী পুন্সিগী শেৎতোক্লবা য়াদ্রবা শরুক অমা ওইরিবা লাইওইরবা লাই-ৱাগী চৈশুসিগী মহুৎ শিনবা চৈশু শাবা ঙমখিরোইদা।

আর কে নরেন্দ্র

# শক-চু ফজবা অমদি মবুকচেলসু শেংবা মীগী মশিং য়াম্না লৈত্রে খন্নরিবদু থীরুরবদি মণিপুরদা পীক থন্না লৈ

## নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা

*ওক্রম য়ুহেনবা, ফাওগৎলক্লিবা আর্টিষ্ট*





মশক-মতৌ ফজবা হায়বসি কনানসু পামদবা লৈতে। অদুবু মশকসু ফজরবা অদুগা লমচৎ শাজৎ, থৌগলোলসু খঙলবা মবুকচেলসু শেংলবা মীওই অদুদি সনাগী মথক্তা তম্ফানা থিনবা হায়বদুমক ওইরে হায়বা য়াই। ঙসিসু লেপ্পা লৈতনা অদুগুম্লবা টেলেন্ট লৈর-লৈরবা নহা কয়া থোক্লক্তুনা ইমা লৈবাক মণিপুরগী মীংচৎ পুরক্লি। মসিদা নত্তনা তেল্লবা পুন্সি খোঙচৎ অসিদা মমা লৈবাক মণিপুরগীদমক লম্বী অমা নৎত্রগা লম্বী অমদা ওইরবসু মানা-মানা পাম্মা চৎলিবা লম্বী অদুদা মায়পাক্তবা য়াদে হায়না কম্পিটিসন অমগা লোয়ননা হোৎনবা নহা কয়া লৈরি। সমুদ্রগী খোংবান্দা তাবা নুঙশিং করিগীদমক কোইরোক কোয়না শিৎ নান্না ফজ রিবনো হায়বসিগী মরমদা কুপ্না থিজিল্লুরবদি মদুগী মরম অতৈ নত্তে। সমুদ্রগী তৎতনা নুংশিৎনা হুমদুনা পুরক্লিবা ইথৎ-ইপোম অদুনা কয়ারক হন্না-হন্না অমুক পুখৎ, অমুক পুথ তোয়না তৌবদগী সমুদ্রগী তোর্বানদা লৈবা নুঙশিং অদু কোইরোক কোয়না শিৎ নাননা ফজবনি হায়বসি অচৌবা মরম অমনি।

মশক নাইবা মীওই কয়াগী পুন্সি ৱারি হঙ্গৎনা য়েংলুবদা শেল পায়রবসু পায়দ্রবসু হোৎপু হোৎনদ্রবদি লৈরিবা ফীভম অদুদগী হেন্দোক্লা অচৌবা মী অমা ওইবা হায়বসি ঙমদে। অদুবু অৱা-অনা থিদনা নীংখিবা ৱাখল্লোল অদু হোংদনা হোৎনরবদি নোংম-নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনা মায়পাকই হায়বসিসু পুম্নমক্ক।খঙনরবা ৱাফমনি। অমনা অমগী পুক্লিং থৌগৎপীবা অমদি মতেং পাংনবা হায়বসিনা চৎলিবা লম্বী অদু লাইথোকহল্লি অমদি থবক অদু অমুক্কা হেন্না ফজনা চাওনা মায়পাকপা হায়বদু ওইহল্লি। অদুগুম্লবা ৱাখল্লোনশিং চেনবা হৌরক্লিবা নহা কয়া লমদম অসিদা লৈরি। লমদম অসিগী নহাশিং মালেমদা লৈরিবা লৈবাকশিংগী নহাশিংগা চাংদম্নরুবদা করিসু নোপ্পা নত্তে। তৌবতবু ঐখোয়না হায়বদি খুন্নাই অসিনা মখোঙ তোয়না য়াম্না ফজনা শোন্নীবদি য়াম্না মথৌ তাই।



ওক্রম য়ুহেনবা (২৩) উয়ুমপোক মমাং লৈকায়দা লৈবা ওক্রম ইনাউ অমদি ওক্রম ওংবি কোম্বিরৈগী মচানুপানি। মহাক্কী মচিন-মনাউ অনিনি। মহাক ক্লাস টুয়েলভ লোইশিনখ্রে। য়ুহেনবা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা ঈশৈসু য়াম্না পাম্না শক্তুনা লাকখিবা নহা অমনি। মহাক ম্যুজিক ভিদিও এলবম, সোর্ট ফিল্ম অমদি মণিপুরী দিজিটেল ফিল্ম খরদসু এক্টর তৌখ্রে। কোরোনাদা মুনাল, মায়খুম, পিরাং, লোইদাংনচিংবা সোর্ট ফিল্ম অমদি হুরানবা, থাং চানি, নোংমৈ পায়বা রেপিষ্টনচিংবা মণিপুরী ফিচর ফিল্মশিংদা শরুক য়াখি। লোয়ননা পোপি লৈরাং হায়বনচিংবা মশক নাইবা ম্যুজিক ভিদিও এলবমশিংদসু শরুক য়াখ্রে। মহাক্কী পুন্সিগী খোঙচৎতা অহানবা ওইনা মহাকপু লৈকায়দা লৈবা কেমেরা মেন ওইনা থবক তৌবা মীওই অমনা পুশিনবিরকখি। মদুগী মতুংদা লমদম অসিগী শক্লাইরবা লিরিসিস অমদি ওল্ড ইন্দিয়া রেদিওগী হান্নগী মশক নাইবা এনাউন্সর অমা ওইনা থবক তৌরম্বা সোসল এক্টিভিষ্ট কে কে ৱাহেংবমগা থেংনবদগী তোঙান-তোঙানবা লমদম অসিগী শক্লাইরবা এক্টরশিং, প্রদ্যুসরশিং অমদি দিরেক্টরশিংগা শক খঙহনহন্দুনা ফিল্মগী লমদা খোঙদাবা হৌরকখি।

অহানবা আর্টকী লমদা চঙশিল্লকখিবা মতমদা লৈকায়গী অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা করিসু ওইসু ওইরোইদবা হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা ইকায়বা কয়া পীবিখি। অদুবু য়াম্না ৱানা স্কুলগী অঙাং পুবা ভেননচিংবা থৌদুনা হোৎনরকপদগী মীয়াম্নসু খরা খজিক পাম্নরকপদগী ঙসিদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা শেলগী মতেংমক পাংবা ঙমদ্রবসু পুক্লিং থৌগৎপীরে। ঙসিসু অদুমক আর্টকী থবক তৌনা-তৌনা অঙাং পুবা স্কুলগী ভেনসু থৌরি। ইম্ফালদগী খরা লাপ্পা লৈবা লোয়ননা মশাগী ওইবা গাড়িসু লৈতবনা গাড়ি ৱাইনবা হোৎনবদা অমদি খুঙ্গং মচা অমা ওইরুবনসু ফিল্ম সুটিং তৌনবা হোৎনরকপগী চৎথোক-চৎসিনদা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি। অদুমকপু ফিল্মগী লম্বী অসিদা মায়পাক্লা চৎপা ঙম্নবা মশা-মউ ফনা লৈনবা জিমনচিংবা চৎতুনা য়াম্না কন্না হোৎনরি। ফিল্মগী লম্বীদা খোঙদারকপা মতমদা সীনিয়রশিংনা তোঙানবা মীৎয়েং অমসু য়েংবিবগী অৱাবা মায়োক্লখি। অদুবু মহাক্কী চমজবা, থম্মোয় শেংজবা অমদি থৱায় য়াওনা হোৎনবগী মমি তাবদগী ঙসিদি পুম্নমক্না সপোর্ট তৌবিবা হৌরক্লে। মহাক্না অথাপ্পা খুঙ্গংদগী অৱা-অনাসু থীদনা হোৎনজরকখিবগী মহয়না ঙসি মীয়াম্না পাম্নবা হৌরক্লিবা অসি মহাকপু মতেং পাংবিরকখিবা ওজা-গুরুশিং অমদি সীনিয়র আর্টিষ্টশিংগী অচৌবা মতেংশিংনা ঙম্বনি হায়বসি মহাক্কী পুক্লিংদা চেৎনা থাজজরিবা আর্টিষ্ট অমনি।

মহাক্কী মখা তারকপা পুন্সিদা ইমুং মনুংগী শেল থুমগী অৱাবা অসিসু কোকপা ঙম্নবা অমদি মহাক্লা পাম্না চৎচবা পাল্লিবা লম্বী অসিদসু মায়পাক্লা চৎপা ঙম্নবা অখন্নবা থৌরাং-থৌশিলশিংগী মনুংচন্না থবক পায়খৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনা মহাক্লা ঙমজবা থবকশিং পায়খৎপা হৌরে। অসিগুম্লবা নহা ওইরিবা টেলেন্ট লৈরিবা লমদম অসিগী নহাশিংদা ঐখোয় পুম্নমক্লা পুক্লিং থৌগৎপীবগা লোয়ননা অঙম-অঙম্বা মতেংশিং পাংবিবগী তঙাইফদবা লৈ। মদু ওইরবদি ইমা লৈবাক মণিপুর অসি কনানসু লাকচবা ঙল্লোই।

ডা. খাইদেম অথৌবা

# লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা সিট অনীমক কাননবা হোৎনরগনি : শ্যামজাই

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস):

লৈবাক অসিদা লৈরিবা রিজনল পার্টিশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী লিবা অনীশুবা রিজনল পার্টি অমা ওইরিবা মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)না লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা সিট অনীমক কাননবা হোৎনরগনি হায়না এম পি পিগী প্রসিদেন্ট চিঙাখম শ্যামজাইনা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি মপাল কাংজৈবুং মনিংদা লৈবা পার্টি অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি। এম পি পিগী মীহুৎ কয়া য়াওনা পাঙথোকখিবা পাউজী মীফম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা প্রসিদেন্ট চিঙাখম শ্যামজাইনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, পার্টি অসিনা কুমজা ২০১২দগী রেকগনাইজ তৌদনা লৈরকখিবনি। য়াম্না পূক্লিং নুংশিরিবদি পার্টি অসি রেজিষ্টর অন-রেকগনাইজ হায়না থোক্লি। মসিমক থোক্তনবা লাক্লিবা মীখলদা পার্টি অসিনা চাদা ৬ মায় পাক্তবা য়াদবনি। মরম অদুনা মীখলশিংদা পার্টি অসিনা মায় পাক্লবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরগনি। চহী খরা অসিগী মনুংদা পার্টি অসিগী ওইরিবা ফীভমশিং লৈবাক মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। অদুমকপু ঙসিদি পার্টিগী মনুংদা য়ানবা পুরক্তুনা ইরমদম মণিপুরবু হেন্না চাউখৎনবা থবক থৌরমশিং মমাঙগুম্না পায়খৎপা হৌরগনি।

হৌজিক হৌজিক পার্টি অসিগী মীওই খরা তোঙান্না থবক তৌরিবা অসিসু তোকথোকপীরগা পুন্না থবক তৌমিন্নসি হায়বা ৱাফম অসি থমজরি। পার্টি অসিগী হাংদুনা লৈরম্বা পোষ্টশিং মেনশিন্নবগীদমক পায়খৎপা য়াবা পার্টি কন্সটিট্যুসনগী লোগী মতুংইন্না পাঙথোক্লবা মতুংদা অন-কন্টেষ্টেদ কেন্দিদেটশিং খল্লে। ক্বালিফাই তৌরবা কেন্দিদেটশিং অদুদি ভেলিগী ওইনা ভাইস প্রসিদেন্টতা য়েংকোকপম প্রিয়োকুমার, চিংশুবম জয়কুমার অঙোম, মোইরাংথেম নরেন্দ্র অমদি হিলগীনা সী এস খোংসাইনি। অদুগা ৱার্কিং কম্মিটি ওইনা ডা. সোরোখাইবম ইবোমচা, সোরেনশংবম ব্রোজেন, ডা. কে মুক্তাসনা, চিঙাখম মেঘচন্দ্র, থাংজম লমকেশ্বর, এম কে অল্লাউদ্দিন, থাংজম রোমেনকুমার, আর কে জয়চন্দ্র, খাইদেম ইঙোচানি। লোয়ননা দিসিপ্লিনরি কম্মিটি মেম্বরদনা ঈ জি বোন অমদি অথোকপম রমানন্দ হায়রিবা মীওইশিং অসি ইলেক্টেদ তৌরে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক হাংলিবা ফম খরা অসিসু অথুবা মতমদা মেনশিল্লগনি। পার্টি অসিনা মখা তারকপা থৌরাং থৌশিলশিংগী মনুং চন্না মীখলদা চাউনা মায় পাক্তুনা লৈবাক মীয়ামগী মপুং ফানা থৌগল তৌবা ঙম্নবা পোরম-পোম্মিৎশিংসু য়াৎলে হায়না ফোঙদোকখি।

# এৱার্দ পীরক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস) :

বহুজন সাহিত্য একাদেমী (নেসনল কম্মিটি ওফ ইন্দিয়া)না চহী অসিগী ওইনা তোঙান তোঙানবা লমদা শীংথানিংঙাই ওইবা থবক তৌরিবা মীওইশিংদা পীবা মনাশিংগী মনুং চন্না লোয়রগী শিনফমদা চোকথবা নাইদনা মীয়ামগী থৌগল তৌদুনা লাকখিবা থাংমৈবন্দ য়ুম্নাম লৈকায়দগী রিটায়র্দ প্রোজিক্যুসন দিরেক্টর ঙাঙোম তেজ কুমারদা লেমজনিংঙাই ওইরবা বেষ্ট সিটিজন ওফ ইন্দিয়া নেসনল এৱার্দ ২০২৩গী মনা খুৎশিন্নরক্লে। এৱার্দ অসি থা অসিগী ১২দা অন্ধ্র প্রদেশকী টিরুপতিদা লৈবা শিবাইহা কৃষ্টরেদ্দি ভবনদা পাঙথোকখিবা ৬লকশুবা বহুজন রাইটর্স সাউথ ইন্দিয়া কনফরেন্সতা বহুজন সাহিত্য একাদেমীগী নেসনল প্রসিদেন্টনা খুৎশিন্নরকখিবনি হায়রি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৮।০৩।২০২৩ ইং, থাংজ; অয়ুক পুং ১১.১৪ ফাওবা লমতাগী ২৬ নি পাল্লি, মতুং ২৭নি পাল্লনি।

মেষ: নীংবা থুংবা, অফবা মরুপ ফংবা, অনৌবা ৱাখল্লোন্না পাঙবা থবকসু মায় পাক্কদবা অফবা নুমিৎনি। অরুবা ৱারেপ লৌবা মতাং চাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃষ: অফবা মীংচৎ তানখৎপা য়ারি, ঙাংবা শকপা পকচগনি, অফবা পোরম শীনবা হৈগনি। অশাওবনদি মাঙওইনগনু, নীংবদুমক পাঙগনি খনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিথুন: চেকশিন্না থৌপাঙগদবা অমদি লৌশিং চাওবা মীগী পাউতাক লৌগদবা নুমিৎনি। য়েৎনবা, অখং-অহৈ শাবা অমদি চিন কনবা কান্নরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- তাশিনবা তম্মু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কর্কট: অয়েৎপা অমদি কিহনবা খরদি হান্নগুম লৈগনি অদুবু পুক্লিং লৈতানা থৌ পাঙউ-মাঙবা লৈরোই। মরুপ থাজৌ, পল্লম্বা লম ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: নোল্লুক্লা চৎলদি ফবগী মথক্তা হেন্না ফগনি। অকিবা লৈগনু অমদি থাজবা মাঙগনু-শোইদনা মায় পাকচরনি। অফবা মরুপকী মতেং লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

কন্য: ফংফম থোকপা খরদি পনগনি, হেন্না আশা চাওরুরসু মতম মাঙগনি। ঈকায় খুম্নবদি ফংগনি, অপানবা থবক্তা শেল থাদবা মতাং চাই।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবদি তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

তুলা: অফবা থবক্কী মহৈ মতম্না পুরক্কনি-ঙাইঙমদবা তৌগনু। য়েংশিনবা অমদি মীৱা থাজবনা কান্নফম খঙলোই। থৌনা ফবদি খ্বাইদগী মরু ওইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুকচেল চাওথোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: অরাপ্পগা মতেং লৌনবা কান্নগনি, ওজা-গুরুনা চানবীগনি অমদি অনৌবা থৌরমদা পুক্লিং চঙবা য়াগনি। অনম তাল্লদি মরুপ্না তাথি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

ধনু: খুৎ চাওবা মতাং চাদে, হন্থবা লোয়নবা, অশাওবনা অপঙ তাগনি। য়েক্লবদি ঙমগনি, অরং-অরাক ফংবা য়াবা, অরিবা থবক পাঙবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং লাঙগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মকর: হরাওবা নুংঙাইবা, মীচঙ হেনগৎপা, য়ুমগী ৱাদি লাইৱাগুম কান্নবা নুমিৎনি। য়েৎনবা পামগনু অমদি অরুবা ৱাফমদা মীগী মতেং লৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং পেঞ্জে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্ভ: চরাঙনদ্রদি মাঙগদবা লৈতে। অদুবু য়েক্লবনা কল্লকই। লৌশিং/লন চঙবা, পাউ নুংঙাই-নুংঙাইবা তাবা, লাই-গুরুনা থৌজানবীবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মীন: মীগী মতেং ফংবা, শেন্দোং য়াম্বা, ইনিংবা পোকপা, মীচঙ হেনগৎপা নুমিৎনি। য়েক্লবনদি মাঙনবা শীল্লক্কনি-শোন্থ শন্নৌ তুংদা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা লুনা খল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




HL-B/8071/16,17,18,19,20




HL-B/8071/16,17,18,19,20